সন্তোশ ট্রোফি : মিজোরাম মায়থীবা পীরল্লগা মণিপুর ক্বার্টর ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমখ্রে

ইটানাগর, ফেব্রুৱারী ২৯ (এজেন্সী): অরুনাচল প্রদেশতা হৌজিক চথুরিবা ৭৭লক শুবা সন্তোশ ট্রোফিগী ওইনা ঙসি মণিপুর (ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন) অমদি মিজোরামগী মরক্তা গ্রুপ বিগী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মণিপুরনা মিজোরামবু পাঞ্জল ৪-১দা য়াম্না লায়না থোইবা ঙমখিবগা লোয়ননা পোইন্ট টেবলদা গ্রুপ বিগী মকোক থোংনা লৈদুনা সন্তোশ ট্রোফিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ১০ তাবদগী হৌরগা য়ুপিয়াদা লৈবা গোল্ডন জুবিলী ষ্টেদিয়মদা মণিপুর অমসুং মিজোরামগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগী খূদোংচাবা লৌরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৮শুবা মিনটতা লৈমজম শঙ্করনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৩৫ শুবা মিনটতা ফিজম সনাথোই মীতৈনা মখা তানা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মণিপুরনা মখা তানা অদুম্মক লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ৫৬শুবা মিনটতা পেবম রেনেদিনা পাঞ্জল অমা অমুক চনখি। মিজোরামগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অদুমওইনমক বোল পায়বগী চাং নেমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবা কয়া অরেম্বদা তাখি। মেটচ অদুগী ৮৪শুবা মিনটতা মিজোরামনা খঙহৌদনা চথুরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা টিম অদুগী মালসোমজ্বালানা হৈন-শিংনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি। মেটচ অদুগী ৯০শুবা মিনটতা মণিপুরগী ফিজম সনাথোই মীতৈনা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগীনা ৪শুবা পাঞ্জল চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মণিপুরনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী প্লেয়র ওফ দি মেটচনা মণিপুরগী ফিজম সনাথোইনা তাখি।

মণিপুরনা অসাম রাইফলস মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): নাগপুরদা হৌজিক চথুরিবা ৭২রক শুবা ওল ইন্দিয়া পুলিস গেমস ভোলিবোল ক্লষ্টর (সেপাক টাক্রো) ২০২৪গী ওইনা মেন্স রেগু ইভেন্টতা মণিপুরনা অসাম রাইফলসপু ২-০ (১৫-১২, ১৫-১০)দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা নুপীগী রেগু ইভেন্টতনা এস এস বিগী মখূৎতা মায়থীবা নংহৌবদগী মণিপুর রন্নর্স অপ তাহৌরে।

মেন্স রেগু ইভেন্টকী ওইনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরনা রাজস্থানবু ২-০ (১৫-৫, ১৫-৩), সেমীফাইনেলদা অন্ধ্রপু ২-০ (১৫-৫, ১৫-৭)তা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেলদা অসাম রাইফলসকা লম্বা তৌনখিবনি। নুপীগী ওইনা ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরনা গুজরাটপু ২-০ (১৫-৩, ১৫-৬), সেমীফাইনেলদা কেরলাবু ২-০ (১৫-০, ১৫-২)দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেলদা এস এস বিগা শান্নখি। মদুদা এস এস বিগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীহৌখিবনি।

অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর ১৫ টুর্নামেন্ট

পি সী সী ময়াইকোইবী অমসুং পি টি আর সী পাৎসোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ)গী মখাদা পাঙথোক্লিবা অহানবা এম এন সী এ ৱিমেন্স অন্দর ১৫ টুর্নামেন্ট ২০২৩-২৪গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা পি সী সী ময়াইকোইবীনা ৱাই পি ঐচ য়ু সী ললাম্বুং অদুগা পি টি আর সী পাৎসোইনা এম পি এ থৌনাওজম মায়থীবা পীখ্রে।

খুদৈবন্দ লম্পাক তাওথোংদা পি সী সী অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা পি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। পি সী সীনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২৮.৩ শুরকপদা পি সী সীগী ৱিকেট ১০ মক তুরগা পূন্না রন ১৩১ লৌবা ঙমখি।

ৱাই পি ঐচ য়ু সীনা টার্গেট রন ১৩২ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অসিগী বেটসমেন অয়াম্বনা মায়োক্ন রিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমখিদবদগী ওভর ২১.৪ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৯৪দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পি সী সীনা রন ৩৭দা মায় পাকখিবনি।

পি সী সী গ্রাউন্দ ময়াইকোইবীদা এম পি এ অমসুং পি টি আর সীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস এম পি এনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। এম পি এনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওভর ২০.১ শুরকপদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ৬৩ লৌবা ঙমখি। অমরোমদা, পি টি আর সীনা টার্গেট রন ৬৪ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবী লিন্থোই অমদি প্রেনানা হৈন-শিংনা মায়োক্নরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মায়োক য়াবা ঙমখিবদগী ওভর ৬.৩ খক্তা ঙাইরিঙৈদা ৱিকেট অমত্তা তুদনা টার্গেট রন ৬৪ লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু পি টি আর সীনা ৱিকেট ১০দা থোইখিবনি।

বোক্সিংদা প্রভাবতি কোলেজগী থোঙাম কুঞ্জরানীনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): অসামগী কেপিটেল সিটি গুৱাহাটিদা থা অসিগী ১৯দগী হৌরগা চথুরকখিবা ৪রক শুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমস ২০২৪ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা বোক্সিং মশান্নগী ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌরিবী প্রভাবতি কোলেজগী থোঙাম কুঞ্জরানীনা কেজি ৫৭-৬০গী কেটেগোরিদা এস জি বি অম্রাবতি য়ুনিভর্সিটিগী পুনম কাইথ্বাসপু পোইন্ট ৫-০দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

কুঞ্জরানীনা ঙসি লৌখিবা গোল্ড মেদল অসি থারগা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমসতা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা গোল্ড ৪, সিলভর ১, ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ৮ লৌবা ঙমখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মেদল লৌখিবা ইভেন্টশিংদি বোক্সিং, ফেন্সিং, ৱেথলিফটিং অমসুং এথলেটিক্সনি। খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমসতা মণিপুরনা মেদল ৮ লৌবা ঙম্বা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি হায়না এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওফ স্পোর্টস মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেম্প অমসুং মোদেল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা খোমদ্রাম (ও) হিজম মেন্মা মেমোরিএল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা মোদেল চীংঙামখানা ঈ এস য়ু ৱাঙ্খৈ অদুগা চেম্প খাগেমপল্লিনা এন এ পি এস এ খা-ইম্ফাল মায়থীবা পীখ্রে।

ঈ এস য়ু অমসুং মোদেলগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা মোদেলনা রন ৪দা ঈ এস য়ুবু মায়থীবা পীখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা মোদেলগী ইবোয়াইমনা তাখি। মহাক্না রন ৩১ অমসুং ৱিকেট ২ লৌরমখি।

অমরোমদা, এন এ পি এস এ অমসুং চেম্পকী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা চেম্পনা ৱিকেট ৬তা মায় পাখিবনি। মেটচ অসিগী ওইনা এন এ পি এস এনা ৱিকেট ১০ তুরগা রন ১০৩ লৌবা ঙমখি। অদুগা চেম্পনা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১০৪ লৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা চেম্পকী বোনিনা তাখি।

ꯁꯟꯇꯣꯁ ꯇ꯭ꯔꯣꯐꯤ : ꯃꯤꯖꯣꯔꯝ ꯃꯥꯌꯊꯤꯕ ꯄꯤꯔꯜꯂꯒ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀ꯭ꯋꯥꯔꯇꯔ ꯐꯥꯏꯅꯦꯂꯒꯤ ꯃꯐꯝ ꯀꯟꯕ ꯉꯝꯈ꯭ꯔꯦ

ꯏꯇꯥꯅꯒꯔ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯹ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ): [illegible]

HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



PUZZLE NO. 1064

Adam A Taylor (2195) - IM Matthew J Wadsworth (2432)
4NCL Online S5 Div1 Final lichess.org INT, 2022.05.17

1.Nf3 d5 2.g3 Nf6 3.Bg2 c6 4.O-O Bf5 5.d3 e6
6.c4 dxc4 7.dxc4 Nbd7 8.Nc3 e5 9.b3 Be7 10.Bb2 O-O
11.Nh4 Be6 12.Qc2 Qc7 13.Nf5 Bxf5 14.Qxf5 Rad8 15.Rfd1 Rfe8
16.Rac1 g6 17.Qc2 Nc5 18.e3 a5 19.h3 h5 20.Ba1 Bf8
21.a3 Qb6 22.Rb1 Rxd1+ 23.Qxd1 Rd8 24.Qc2 Bg7 25.b4 axb4
26.axb4 Nd3 27.c5 Qa6 28.b5 Qa3 29.bxc6 bxc6 30.Qa4 Qxc5
31.Rd1 e4 32.Nxe4 Nxe4 33.Bxe4 Bxa1 34.Qxa1 Qc2 35. ...

QUESTION :
White to win

Puzzle 1063 Solution :

40. Ba4
Your moves:40.Rxe7
Rh4
40...Qg8 41.Rxe7
40...Qg6 41.Rc8+ Bd8 42.Rxd8+
40...Qxa4 41.Rc8+ Qe8 42.Rxe8+
40...Qa8 41.Bc6 Qd8 42.Nxd8
41.Bxe8 Rxf4+ 42.Nxf4
1-0

মমি ৱারী

থৱান

ঐগী য়ূম লৈতে



Likla™
ꯂꯤꯛꯂꯥ
Promote
Local Farmers
Support
Local Industries
Likla
MANGO
DRINK
₹10 ONLY
READY TO SERVE FRUIT DRINK
NET QUANTITY 160ml
Likla PINEAPPLE DRINK
Likla MANGO DRINK
Likla
Likla PASSION FRUIT DRINK
Likla PINEAPPLE DRINK
Thangjam Agro

HL-B/8592/1/3-29/3 (alt)

LOAN OINA LOUBA YABAGI KHUDONGCHABA LEIJEI
ꯇꯨꯂꯁꯤ ꯇꯤ ꯚꯤ ꯑꯦꯁ
DOWNPAYMENT STARTING Rs.6999/-
PLEASE CONTACT: 762-9027-882
908-9741-898
TVS SUB DEALER HANGBININGBA LEIBIRAGADI CONTACT TOUBIRAKPA YAGANI
Address: SANGAIPROU MAMANG LEIKAI ,FCS GODOWN ROAD
TERMS AND CONDITION APPLY
HL-B/8514/21-29 (alt)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com